# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 02-06-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০২-০৬-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাড--**

১) মুখ্য মন্ত্রিনা হায়রি-পি.এম সভা নিধি স্কিম অসিনা মীওই কয়াগী হিংনবগী লম্বীদা চাউনা মতেং পাংলি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা লালহৌবা অহুম অমদি ড্রগ লল্লোনবা মীওই অনি ফারে।

**অমসুং**

৩) ভারত্তা থাউ, চান-থাকবা পোৎলম, হার অমসুং অতৈ তঙাইফদবা পোৎলমশিং ৱাৎতনা ফংহনগনি হায়না সরকারনা হায়রি।

-------

**সি.এম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা পি.এম সভা নিধিনা চহী ৬ মপুং ফারকপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ মোদিবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হায়- প্রধান মন্ত্রিগী মীৎয়েং মখাদা স্ত্রিট বেন্দরশিংগী য়াইফনবা পায়খৎখিবা থৌরাং অসিনা লৈবাক অসিগী

চাউখৎপগী লম্বীদা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নদুনা মাংজিল থাবা ঙম্লি। কোবিদ নাইন্তিন মতমদা হৌদোকখিবা পি.এম সভা নিধি অসিনা স্ট্রিট বেন্দর মীওই কয়াদা শেলগী তেংবাং ফংহনদুনা অনৌবা মায়োন অমদা পুরকপা ঙমখি। স্কিম অসিনা মীওই কয়াগী হিংনবগী লম্বীদা চাউনা মতেং ওইদুনা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহল্লি। মসিমক অটমানিরভর ভারত ওইরকবগী লম্বী ওইরি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-স্কিম অসিনা চহী ৬ মপুং ফারকপা অসিদা বিনিফিসরি লাক্ষ ৫৩ দা শেন্থং পীথদুনা তেংবাংখ্রে। স্কিম অসি ফংখিবা বিনিফিসরিশিংগী মনুংদা চাদা ৭০দি শোত্থরবা কাংলুপকী মীওইশিং ওইরি।

**ৱিস (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা জেনরেল এন.এস রাজা সুব্রমনিনা ইন্দিয়ন আর্ম ফোর্সেসকী চিফ ওফ দিফেন্স স্তাফ নৌনা ওইরকপদা নুঙাইবা ফোঙদোরক্লি । মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজা সুব্রমনি অসি মহাক্কী মথৌদা কত্থোকপগা লোয়ননা পুকিং চংবা মীওই অমনি। তোঙান তোঙানবা ওপরেসনগী এক্সপরিয়েন্স কয়াসু লৈরবা ওফিসর অমনি। লুচিংবা অমা ওইবগী চপ চাবা গুন অদুমক শ্রী সুব্রমনিদা চেল্লি হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা লালহৌবা অহুম অমদি দ্রগ লল্লোনবা মীওই অনি ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। ইন্তল্লিজেন্সতগী ফংবা পাউ অমগী মতুং ইন্না থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোপ অৱাং লৈকাই অমদি মখা লৈকাইদগী লালহৌলুপ অমগী মীওই অনি ফাখি। ফারবা মীওইশিং অদু অমনা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই নিংথৌবুং লৈকাইদগীনি। অদুগা, অতোপ্পা অমনা জিলা অসিগী মনুং চনবা পৌরাবী অৱাং লৈকাইদগীনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখানা হায়-রাজ্য পুলিসনা লালহৌবা অমসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী কম্মান্দো কমপ্লেক্সতগী ফারে। ফারবা মীওই অদু ময়াংইম্ফাল বজারদগীনি। হৌজিকা ময়াং ইম্ফাল থানা অৱাং লৈকাইদা লৈবনি হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ময়াই কাবা নিশাগী মায়োক্তা চংশিল্লকপা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোইরেংগৈদা লৈবা সি.এম.সি হোস্পিতাল মনাক্তগী মীওই অনি ব্রাউন সুগর ওইগনি চিংনবা পোৎলমশিংগা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওইশিং অদু কংলাতোম্বী হতিপখুৱা অমদি কংলাতোম্বী শান্তিপুরদগীনি। মাওই অনি অসিগী মনুংদা, অমদি কাংপোকপী জিলাদা ভি.দি.এফ ওইনা লৈবনি। মখোয়দগী ব্রাউন সুগর ওইগনি চিংনবা পোৎলম কিলোগ্রাম ১ গ্রাম ৪২৫ অমদি হোন্দা এক্তিভা অমা ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা ইম্ফাল সহরগী অকোইবদা আইন কাইনা য়ু য়োল্লম্বা মীওই মরি ফাগৎখি। ফারবা মীওইশিং অদুদগী য়াল্লবা য়ু ফাগৎখি।

**নোংঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা রাজস্থান, গুজারাট, মধ্য প্রদেশ, উরিষা অমসুং অন্ধ্র প্রদেশকী সমুদ্র খোঙবালশিংদা ঙসি অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়না ওরেঞ্জ এলর্ট লাউথোকখ্রে। কর্নাতক, কেরলা, মাহে, লক্সদিপ, পুদুচেরি, তামিল নাদু অমসুং করাইকলগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি অকনবা নোং চুরগনি হায়রি। চান্দিগর, হরিয়ানা, দেল্লি, উট্টরাখন্দ, নোংচুপ থংবা উট্টর প্রদেশ, ছতিসগর, ঝরখন্দ, নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং সিক্কিমগী মফমশিংদা অখাক অরাও অমদি উফুল য়াওবা নুংশিৎ শিৎকনি হায়রি। অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদসু লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা কা হেন্না শাবগী অৱাবা মায়োকরবা য়াই।

**থাউ ঃ** নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা ভারত্তা থাউ, চান-থাকবা পোৎলম, হার অমসুং অতৈ তঙাইফদবা পোৎলমশিং ৰাৎতনা ফংহনগনি হায়না সরকারনা হায়রি। নিউ দেল্লিদা নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা পাঙথোকপা মন্ত্রিশিংগী মীফমদা শরুক য়ারদুনা কঞ্জুমর এফিয়র্সকী এদ্দিসনেল সেক্রেটরি অনুপম মিশ্রানা হায়-ভারত্তা হৌজিক চান-থকবা পোৎলম, লৌউ-শিংউগী পোথোকচিংবগী স্তোক মরাং কাইনা লৈরি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিদা চেং-গী পোথোককী চাং হেন্না পুথোক্তুনা মেত্রিক টন লাক্ষ লিশিং ৩,৭৬৬ অমসুং হৰাহগী ওইনা মেত্রিক টন লাক্ষ ২৭৪ পুথোক্তুনা অনৌবা রেকোর্দ থম্লি। মসিনা মরম ওইরগা চান-থকবা পোৎলমশিংগী মমলদা থোইনা অহোংবা লৈরোই।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেতরি সুজাতা শর্ম্মনা হায়- লৈবাক অসিদা পেট্রোল অমসুং দিজলগী ষ্টোক মরাং কায়না লৈরি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা পেট্রোল অমসুং দিজলগী রিতেল আউটলেটশিংদা পেট্রোল অমসুং দিজল মরাং কায়না য়েন্থোকবা ভারতকী ওইল মার্কেতিং কম্পনিশিংনা অকনবা থবক পায়খৎলি। এল.পি.জিগী ষ্টোক্কী মতাংদা পল্লদুনা মহাকা হায়- হৌখিবা নুমিৎ হুমি অসিদা এল.পি.জি গ্যাসকীদমক কঞ্জুমর কোতি ১ লাখ ২১ না বুক্কিং তৌরকখি। কঞ্জুমরশিংদা য়েন্থোকপগী চাংসু হায়রিবা মতম অসিদা কঞ্জুমর কোতি ১ লাখ ২২ দা এল.পি.জি সিলিন্দরশিং য়েন্থোক্তুনা গ্যাস য়েন্থোকপগী চাং চাদা ৯৫ য়ৌরে।

**ওমানঃ** কেন্দ্রগী কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা হায়রি- ভারত অমসুং ওমাননা থা তরুক্কী মমাঙদা সহী তৌনখিবা কম্প্রিহেন্সিভ ইকোনোমিক পার্টনরশিপ এগ্রিমেন্ট (সেপা) চৎনবা হৌরে। নিউ দেল্লিদা পাউমীশিংদা শ্রী গোয়লনা হায়-সেপা অসি ইচম চম্বা লল্লোন ইতিক্কী য়ান-ৰারোল খক্তমক

নত্তে। মসি লৈবাক অনিগী মরক্তা হেন্না মপুং ফানা থাজনবগী ৱারোলনি। য়ান-ৱারোল অসিনা ভারত অমসুং ওমানগী মরিদা অনৌবা মায়োন অমা পুরক্লগনি। মন্ত্রিনা হায়-ভারত্তগী ওমানদা পুশিল্লিবা পোৎলমশিং অয়াম্বা ওমাননা দ্যুতি ফ্রি ওইরগনি। ওমানগী কৈথেলদা ভারতকী শিন্মীশিং, এম.এস.এম.ঈ অমসুং এক্সপোর্তরশিংনা তোঙান তোঙানবা লমশিং-লৌউ শিংউগী পোত্থোক, তেক্সতাইসল, শান্ন-খোৎনবগী শিজিন্নবা পোৎলমশিং, হিদাক লাংথক, ওতোমোবাইলস, লেধর অমসুং সমুদ্রগী পোত্থোকশিং ফংহনবদা খুদোংচাবা পীরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নাগাশিংনা ইরাং হৌরকপদগী য়ু.এন.সিনা কুকি ১৪ থাদোকখিদবগী পাউ, মণিপুরগী রাজ্য সভা মীখলগী নোতিফিকেসন থোকখিবগী পাউ অমসুং ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগা ম্যান্মারগী রাস্ত্রপতিগা ঙমখৈগী মতাংদা ৱারি শান্নখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

নাগাশিং ইরাং হৌরকপদগী য়ু.এন.সিনা কুকি ১৪ থাদোকখিদবগী পাউ অসি-পোকফম, হুইয়েন লানপাউ, সনালৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুর এদিসন, পিপলস ক্রোনিকল, মণিপুর মেল, গানফিউ মেল, তামেংলোং তাইমস অমসুং হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা অহানবা লামাইদা ফোঙলি। মণিপুরগী রাজ্য সভা মীখলগী নোতিফিকেসন থোকখ্রে, মণিপুরগী কেন্দিদেটতি লাউথোক্ত্রি, কনানা ওইগদগে খঙদ্রি হায়বা পাউনা- সনালৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

ইন্দিয়াগী ইন্সর্জেন্সী গ্রুপশিং এক্সন লৌরগনি হায়না মোদিদা থাজবা পীখ্রে হায়বা পাউনা- পোকফমগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। মণিপুরগী ৱাদগী শুংবা য়ু না ষ্টেটকী ইকোনোমিদা চাউনা মতেং পাংবা ঙমগনি হায়না পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোঙবা থেংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা- নাগা তরুক্কী লোইনবী, অপোকপী মমা অমসুং মখুরা অমনা হাই কোর্টতা কোগনিজেন্স লৌবীয়ু হায়জখ্রে, হাই কোর্টতা পীশিনবা প্রেয়রদা কুকি খূৎলাই পায়বশিংগী মনুংদা পুলিস পার্সনেল অমা য়াওই ফোঙদোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

এম.এল.এ সুর্জকুমারনা লুচিংবা কংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা নম্লি, ৱাংলি অমসুং জেট চোরো খুলগী ফিভম য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসু- পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসনদনা- জেট চোরো, নাম্লি, ৱাংলিগী খুঞ্জাশিং ৱানা খাংহৌরি, সেক্যুরিতি ফোর্সনা নিংথিনা ঙাকশেনবীবা পামহৌরি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর ত্রাইভেল বোদিশিংনা ইমর্জেন্সী সটদাউন লাউথোকখ্রে হায়না- গানফিউ মেলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোঙবা থেংনরি।

তামেংলোং তাইমসতা- তামেংলোংদসু এস.আই.আর পাঙথোকপগী পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- ধরুনকুমারনা সেনাপতিগী দিপ্যুতি কম্মিসনর ওইনা নৌনা থৌ পুবা হৌখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**